HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



লামায় ১

পাওয়ি (পেহ) ভিলেজদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং খুঙ্গাশিংনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখিবা অদুবু পূক্লিং থৌগৎতুনা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ পীখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা খুল অসিগী লুচিংবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

চেয়রপর্সন য়াওনা কাউন্সীল্লর ৯ বি জে পিদগী তোক্লে
☛ লামায় ৩

ফয়েং অমসুং তাইরেনপোকপী খুনগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনখ্রে
☛ লামায় ৭

কাউন্সিলনা শীঞ্জদুনা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি
☛ লামায় ৫

টাটানা তকপদা নুপীমচা ১ শিরে, লম্বী শেম্বা থিংজিনখ্রে
☛ লামায় ২

তোপ অৱাং লৈকায় (পোং লম্বী)দা লৈবা লময়ানবা ইপুগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখিবা



লামায় ৫

Vol. 44, Issue No. 312 | লৈবাকপোকপা, ৱাকচিংগী ২৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, February 09, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## চাওবগী মীহাৎতা চেন্নবা মীওই পুথোকউ : জে এ সী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): হৌখিবা থা অসিগী ৪গী অয়ুক পুং ৪.২০ রোম তাবা মতমদা মশাগী ফমুংদা শিরগা লৈরম্বী মৌনহা, নোংপোক সঞ্জেন্বম কবাংকুৎতগী লাক্লগা হৌজিক্কা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবী কৈশাম নিংঙোল মোইরাংথেম ওংবী চাওবা (১৯), মপুরোইবা জিনেট কৌবা অসিগী মীশি অসিদা চেন্নবা মীওই অথুবা মতমদা পুথোকপীয়ু হায়দুনা জে এ সীগী কনভিনর সোরাইশম ইঙোচানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা জে এ সীগী কনভিনর এস ইঙোচানা হায়খি, লৈখিদ্রবী কৈশাম নিংঙোল মোইরাংথেম ওংবী চাওবগী মীশি অসি য়াম্না চিংনিংঙাই ওই। মশা ইতেক তেক্লা মহাক্কী ফমুংদা শিরগা লৈরম্বদা মনাক্তা আইরন টেব্লেট অমদি ভিটামিন টেব্লেটকী মকু খরসু লৈরমখি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা চাওবগী মীহাৎতা চেন্নবা মীওই পুথোক্তুনা লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনবীয়ু। মীশি অসিগী মতাংদা পোষ্ট মোর্টেম তৌবগী রিপোর্ট ফংহন্দ্রিবা ফাওবা অশিবা মশাসু লৌরোই হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা লৈখিদ্রবী চাওবগী অপোকপা কৈশাম লোখোননা হায়খি, ইচানুপীগী মীশি অসি য়াম্না নুংঙাইতে। মরম অদুনা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

লৈখিদ্রবী চাওবগী মীশি অসিগী মতাংদা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা মীওই অহুম ফাগৎলগা হৌজিক ৱাহং পাউহংগী থবক কন্না চত্থরি হায়রি।

## বিল ২ পাস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ঙসি চত্থখিবা ১২শুবা সেসনদা তোঙান-তোঙানবা বিল অনী পাস তৌখ্রে। পাস তৌখ্রবা বিল অনী অদুদি মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর-১) বিল, ২০২১ অমসুং মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর-৩) বিল, ২০২১নি।

# আই এল পি ১,৬২,৯০২ ইস্যু তৌদুনা লুপা ২৫২,৭৮,০০০ কল্লেক্ট তৌখ্রে : সী এম



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) চৎনবা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা পর্মিট ১,৬২,৯০২ ইস্যু তৌদুনা ফি ওইনা লুপা ২,৫২,৭৮,০০০ কল্লেক্ট তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা পর্মিট রিন্যু তৌবগী রেভিন্যুনা লুপা ৭,৭৫,৪০০নি হায়না ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা বজেট সেসনগী মরিশুবা নুমীৎকী ক্বেসন অৱরগী মতমদা এম এল এ, এ কে মিরাইবাইনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন এম এল এ এ কে মিরাবাইনা হংলকখিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, আই এল পি চৎনবা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা পূন্না মীওই ১,৬২,৯০২দা পার্মিট পীখ্রে। মসিগী মনুংদা স্পেসল কেটগোরি পর্মিট অমত্তা পীখিবা লৈতে। রেগুলর পর্মিট ২০,৫৩১নি; টেম্পররি পর্মিট ১,৪০,২৫৭ অমসুং লেবর পর্মিট ২,১১৪ য়াওরি। অদুগা পর্মিট ৩,৬৩৬না রিন্যু তৌখি। ষ্টেট অসিদা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহন্নবগীদমক আই এল পি চৎনবা হৌখিবা নুমীৎতগী হৌনা এয়রপোর্টকী এরাইভেল গেটতা নন-লোকেলশিংবু চেকশিন্না চেক্কিং অমদি ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক চৎথরি। আই এল পি লৌগদবা মীওই অমগী মপুং ফাবা ৱারোলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা মীওই অদুগী শক্তাক চে অমগা লোয়ননা মপুং ফাবা লৈফম, মোবাইল নম্বর, মণিপুরদা লাকপগী মরম অমদি মণিপুরদা লৈগদবা মফমনচিংবা আই এল পি পীবা মতমদা ইশিল্লি। লোয়ননা সোফ্‌টৱেয়রদা সিঙ্কিং তৌবগী থবকসু চৎথরি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈবা এয়রলাইনশিং, হোটেল অমদি টেক্সি সর্ভিস তৌরিবশিংদা মণিপুরদা লাকপা পেসেঞ্জর অমদি ভিজিটরশিংদা আই এল পিগী মতাংদা খঙহন্নবসু হায়খ্রে। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এফ সী পি গেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী বোর্দরশিংদগী ভিজিটর, লেবরর্স অমদি লন্নাই মীওই কয়া অয়াবা য়াওদনা চঙশিল্লকপা থিংননবা ফ্রিস্কিং, চেক্কিং অমদি ৱাটর ৱেস পেট্রোল হান্নদগী কনখৎলে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এসেমব্লী সেসনগী ঙসি মরিনি চনবা নুমীৎতা চত্থখিবা বডজেট ইষ্টিমেট ২০২১-২২গী জেনরেল দিস্কসনদা ওপোজিসন এম এল এ কয়ানা ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফাইনান্সকী ইন-চার্জসু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, শেনবা চহী ২০২১-২২গী বডজেট অসি পোইন্ট অয়াম্বা কোভর তৌবনি। বডজেট স্পিচ অদু অকক্লবা মতম লৈবা মরম্না য়াম্না ফজগদবা অচুম্বা লম্বী অমদা চৎপা য়ানবগীদমক্তা পীখিবা স্পিচ অমনি। হন্দক পুথোক্লিবা বডজেট অসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টসকী লুপা ৩১৮৭,২৪,৩৬,৩৬৮ পাস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা বজেট সেসনগী মরিশুবা নুমীৎতা দিমান্দস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টস ২০২০-২১গী পূন্না শেনফম লুপা ৩১৮৭,২৪,৩৬,৩৬৮ পাস তৌখ্রে।

ঙসি চত্থখিবা এসেমব্লি সেসনদা পাস তৌখ্রবা সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টস ২০২০-২১গী দিমান্দশিং অদুদি, দিমান্দ নম্বর ১ ষ্টেট লেজিসলেচরগী লুপা ৪৫,২৩,৬১,০০০; দিমান্দ নম্বর ২ কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সকী লুপা ৬,৬৫,৬২,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩ সেক্রেটরিয়টকী লুপা ৩০,৬৮,৪০,৬৯৯; দিমান্দ নম্বর ৬ ট্রান্সপোর্টকী লুপা ১২,৮৪,৩২,০০০; দিমান্দ নম্বর ৭ পুলিসকী লুপা ৫,৭৩,৩৮,১১৯; দিমান্দ নম্বর ৯ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী লুপা ১,৫৩,১২,০০০; দিমান্দ নম্বর ১০ এদ্যুকেসনগী লুপা ১২৩,৮৯,৫৫,৫৫০; দিমান্দ নম্বর ১১ মেদিকেল, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সর্ভিসেসকী লুপা ২৫৩,১২,২৫,০০০; দিমান্দ নম্বর ১২ ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউসিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্টকী লুপা ১৬৬,১৮,২৯,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৩ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী লুপা ৬,০০,০০,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৪ দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইভেল এফেয়র্স এন্দ হিল্‌স দিভলপমেন্টকী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সী এমনা পাওয়ি ভিলেজ ওথোরিটিদা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাওয়ি (পেহ) ভিলেজদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং খুঞ্জাশিংনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখিবা অদুবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি পাওয়ি ভিলেজ ওথোরিটিদা সী এমনা লুপা লাখ ১০গী রিৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতা কেস রিৱার্দ খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, পেহ ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা পোপী পান্বীশিং মাঙহন্ননবা ফিরেপ লৌখিবা অসি থাগৎলি। দ্রগ এব্যুজ অমসুং ত্রাফিক্কিং লাকশিন্ননবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎখ্রবা পাওয়ি ভিলেজদা লুপা লাখ ১০ রোম চঙনা মার্কেট সেদ অমা অমসুং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অমা অথুবদা শারগনি। মসিগীসু মথক্তা জল জীবন মিসনগী মখাদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমসু শাননবা হোৎনরগনি। লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা সজেসন তৌরকপগী মতুংইন্না মফম অসিদা কলচরেল হেরিটেজ সাইট অমসু শেমগৎ-শাগৎনবা খন্নরগনি।

পোপী পান্বী থাবগী মহুৎতা অতোপ্পা থবক কয়া পায়খৎননবা লৈঙাক অসিনা খুঞ্জাশিংদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংননবা শেম-শাদুনা লৈ। ...মখা লামায় ৩ কলম ১






## লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৩৮দগী ৪৫দা হেনগৎনবা থৌরাং পায়খৎপিয়ু : মিরাবাই



TH. SATYABRATA SIN



AK. MIRABAI DEVI

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবা নহাগী মশিং কা হেন্না হেনগৎলকপা অমদি লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা কয়া থবক ফংদবনা মরম ওইদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈরোন্নুংদা লাকশিনবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিদগী কনবা ঙম্ননবা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা থবক তৌবগী চহী পল্লদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইনসু লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৩৮দগী ৪৫দা হেনগৎহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়না ঙসি চত্থখিবা এসেমব্লী মীফমদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হাউসতা পুখৎখ্রে।

শোর্ট নোটিশ ক্বেসনগী মতমদা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হংলকখিবা ৱাহং অসিগী পাউখুম পীরদুনা লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা হায়খি, লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৩৮দগী ৪৫দা হেনগৎহনবা হায়বসি মরম কয়া অমা লৈবনা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা হায়বা ৱাগনি। মরমদি হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা রুলসকী মতুংইন্না এস সী অমদি এস টিগী কেন্দিদেটশিংগী ওইনা থবক চঙবদা চহী ৫ কোমথোক্লি। করিগুম্বা থবক চঙবগী চহী অসি ৪৫ ফাওবা য়াহল্লগদি কোমথোক্লিবা চহী অসিগা থারগা পুন্না লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৫০ ওইরগনি। লোয়ননা দিসএবিলিটিজ (পি দব্লিয়ু দি)নচিংবা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিদা চহী কোমথোকপা লৈবা অসিনা লৈঙাক্কী থবক চঙবদা চহী ৪৫ ফাওবা ওইহনবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদদি য়াম্না কুপ্পা খন্নবা অমা চঙলি হায়না মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা ৱাহং ওইনা এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টরনা হায়, কুমজা ২০১৭তগী ২০২০ ফাওবদা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী খুৎথাংদা কৌখিবা পোষ্ট ৫৮৬২নি। অদুগা প্লেসমেন্ট পীখিবা মশিংনা ৯৮০নি হায়না ফোঙদোকখি।

শোর্ট নোটিশ ক্বেসনগী মখা চৎথরকপা ওইনা এম এল এ, ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## এম এল এ ১২ দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বা দিমান্দদা কোংগ্রেসনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা মওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরমখিবা এম এল এ ১২ দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি ময়াং ইম্ফাল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীল্লগা নোংমগী ওইবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং ময়াং ইম্ফালগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

চরা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স-মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন অমসুং দিমোক্রেসি কন্নবগীদমক হঙ্গর ষ্ট্রাইক অসি চত্থবনি। অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইবা মওংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২বু




হৌজিক ফাওবা দিসক্কালিফাই তৌদনা লৈরি। কোংগ্রেস পার্টিনা ঈ সী আইদা হীরমসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীননবা অহৈবা চেরোল কয়া পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা ঈ সী আইগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবসি লাইবক থীবনি।

কুমজা ২০১৭তা বি জে পিনা লুচিংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পোক্সো কেসতা পুন্সিগী ফাদোক পীবদগী মীরোৎ ওইখ্রবা টিমোথি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হায় কোর্ট কারকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রেংকাইদা মশামক্লা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইদুনা চলাইরম্বা নোর্থ ইষ্টর্ন চিলদ্রেন হোমগী চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংবু নমদুনা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো), এক্ট ২০১২ গী মখাদা লৌখৎপা কেসকী ৱায়েলদা পুন্সি চুপ্পা ফাদোক লৈবা য়াওনা পুন্না চৈরাক অহুম পীবদগী মীরোৎ ওইখিদুনা ঙসি ফাওবদা ফাবা ফংদনা লৈরক্লিবা টিমোথি লালমুনমোই চাংসান এলিয়স দাদি (৫২), অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংগাখম হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা কারকখ্রে।

মহাক্লা ঙসি কোর্ট অসিদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা এপ্যের তৌখ্রিবসি থা অসিগী ৫দা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্ননি। নুমীৎ অদুদা টিমোথি এলিয়স দাদিগী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর- ২(২)২০১৫ অন্দর সেক্সন -৩৫৪/৩৭৬-সী/৫০৬ আই পি সী অমসুং সেক্সন-৬, ৮ অমসুং ১০ পোক্সো এক্টকী ৱায়েল চত্থরগা এপ্রিল ৩০, ২০১৮দা মতম অদুগী স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্ট মাইবম মনোজকুমারনা মহাকপু কেস অসিগা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি। লোয়ননা ৱায়েল অসিগী মে ৫, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স ওন ওর্দরদা মহাকপু পোক্সো এক্টকী সেক্সন-৬কী মখাদা পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখিবা অমসুং হায়রিবা এক্ট অসিগী সেক্সন-১০ অমসুং আই পি সীগী সেক্সন-৫০৬কী মখাদা চহী ৭/৭কী ফাদোক পীখিবনি। জজমেন্ট অদুবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপিলশিং লৌখৎতুনা খন্নরগা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না মহাক ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হায় কোর্টতা কারকখিবনি।

টিমোথি এলিয়স দাদিনা মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেস, কেস অদুগী ৱায়েলগী মতুংইন্না মঙোন্দা পীখিবা ফাদোকশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকপগা লোয়ননা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপিল)শিং অদুগী নম্বরনা ৩ ওফ ২০২১, ৪ ওফ ২০২১, ৫ ওফ ২০২১ অমসুং ৬ ওফ ২০২১নি।

ক্রিমিনেল আপিলশিং অসি মহাক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## HL Poll

Q: Indo-Myanmar Friendship Gate No. 1 amasung 2 makha tana thingkhiba asina lallol-etik touribasingda chaona cheitheng piragani khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State asida passenger service touribasingna gari atongmal hannadagi henna louriba asigi matangda matik chaba action loukhathanningbra ?

Yes 56% No 44%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৭৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৫.২৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৪

## অস! লোইরেহে!

- ঐ রিটয়ার্দ চৎলে, ভোট লেপ্তৌরে, ঙাওশিন্নবা নখোয় নহা কয়া পুনশিল্লগা চাক চানরো।



- ফনি সার।

## কেস ৪খক থেংনখি, মীওই ৮৫ এক্টিভ ওইরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোকপগী চাং কা হেন্না হন্থরক্লুনা নৌনা কেস ৪ খক থেংনখি। মীওই ৮৫না এক্টিভ ওইরি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৪খক নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মীওই মরিমক নুপী ঙাক্তনি। কেসশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টতা ১, রাজ মেদিসিটিদা ২ অমসুং তমেংলোংদা ১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ককচিংদগী ১, সেনাপতিদগী ১ অমসুং তমেংলোংদগী ১ য়াওরি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৯,১৩০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৭০১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৯নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১



HL-P/8697/29 Jan. to 23 Feb.



HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫